

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SATURDAY, JULY 14, 2018 PAGE 7


*ফ্রান্স অমসুং ক্রোএসিয়ানা থা অসিগী ১৫ দা শান্নগদৌরিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ফুটবোলগী ফাইনেলদা রেফরি ওইদুনা মেটচ কন্দক্ত তৌগদৌরিবা মশাগী চহী ৪৩শুরবা ইটালি মচা নেষ্টর পিটানা*

*ইংলেন্দগা শান্নখিবা অহানবা ব্রান দে মেটচতা বোল ১১৪ মায়োক্নবদা আওট ওইদনা রন ১৩৭ লৌদুনা মেটচ মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা*

## *ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

## অহুমশুবা পোজিসন মশক খঙদোক্নবা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা ঙসি নুমিদাং লম্বা তৌনরগনি



*মোস্কো, জুলাই ১৩ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ২১শুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন টিম মশক খঙদোক্নবা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা হয়েং নুমিদাং পুং ৭ঃ৩০ দা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি ইংলেন্দগী টিম ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী পুৱারীদা কুমজা ১৯৬৬ দা লৈবাক অসিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনগী ফাইনেলদা জর্মনিবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরি। কুমজা ১৯৯০ দা ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ্তা ইংলেন্দ ইটালিনা মায়থিবা পীরম্বদগী মরিশুবা পোজিসন তাহৌবনি।

অমরোমদা বেলজিয়মগী টিম ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী পুৱারীদা কুমজা ১৯৮৬ তা মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা আর্জেন্টিনানা মখোয়বু মায়থিবা পীরম্বদগী মরিশুবা পোজিসন তাহৌখিবা অসিনা বেলজিয়মগী খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।

ইংলেন্দগী টিম রুশিয়াগী ব্রার্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ 'জি' দা অনীশুবা পোজিসন তারগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি। অমরোমদা বেলজিয়মনা গ্রুপ অসিমক্তদা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা মকোক ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচতা বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ১–০দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৫৪ দা স্বিটজরলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী গ্রুপ ষ্টেজদা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়ম পাঞ্জল ৪–৪ চন্নরগা ড্রো চৎখি। অদুগা কুমজা ১৯৯০ গী ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইংলেন্দনা বেলজিয়মবু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

ইংলেন্দগী টিম রুশিয়াগী ফিফা ব্রার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী মারিও মেন্দজুকিকনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা মেটচ মায় পাকখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌগনি পান্নরম্বা ইংলেন্দগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা বেলজিয়মগী টিমসু কোচ রোবার্টো মার্টিনেজনা লুচিংদুনা অহানবা ওইনা রুশিয়াগী ফিফা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা টাইটল লৌননবা আশা চাওনা লাকখিবনি। অদুবু সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সনা মখোয়বু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাইটল লৌবগী আশা পুম্নমক কায়খিবনি।

সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা রুশিয়াগী ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা পোজিসনগীদমক হয়েং সেন্ট পিটর্সবর্গতা লৈবা ঝেনিট এরেনাদা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মেটচ অসিদা টিম অসিগী কেপ্টেন হেরি কেন অমসুং হেরি মেগুয়রনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নগদৌরি। অমরোমদা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ইদেন হজার্দ অমসুং রোমেলু লুকাকুনা টিম অসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা ইংলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা ৩শুবা টাইটল ফংননবা হোৎনহৌগদৌরি। রুশিয়াগী ফিফা ব্রার্ল্ড কপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচকী ফলগী মতুং ইন্নদি বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু মায়থিবা পীদুনা ৩শুবা পোজিসন ফংগনি পান্নরি।

**Final Match**
**15-07-2018**
France vs Croatia
Time: 08.30 pm Venue: Luzhniki Stadium, Moscow

**3rd Place Match**
**14-07-2018**
Belgium vs England
Time: 07.30 pm Venue: Zenit Arena, St. Petersburg

## ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা থাইলেন্দ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী টুংজুংগা শান্নরগনি



*থাইলেন্দ ওপনগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু*

*বেঙ্কোক, জুলাই ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেদমিন্টনগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী টুংজুংগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মালেসিয়াগী সোনিয়া চিয়াবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী ইন্দোনেসিয়াগী টুংজিংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কানাদাগী মিসেল লিবু ২১–১৭, ২১–৮ দা থোইরমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুএসএগী শান্নরোই বৈৱেন ঝাং অমসুং ৪শুবা সিদেদ নোজোমী ওকুহারা লম্বা তৌনরগনি।

৭শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই অকানে য়ামাগুচিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৯, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই আয়া ওহোরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১–১২, ১৫–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ জপানগী কে নিসিমোটোনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই এস এভিহিংসানোনবু ২১–১৯, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপানগী এন নিসিমোটোনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী কে ব্রাংচারোনবু ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২১–১১, ১১–২১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী টৌমী সুগিয়ার্টোগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা জপানগী কে সুনেয়ামা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী এসদি কুনকোরো লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই কে ফেটপ্রাদদপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৫, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা জপানগী সুনেয়ামাগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়াগী এসদি কুনকোরোনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী হুৱাংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–৯, ২১–৮ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী টি কামুরা অমসুং কে সোনোদানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী লিয়াও অমসুং সুবু ২১–১৯, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম মায় পাকখ্রে

*বেঙ্কোক, জুলাই ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না থাইলেন্দগী ক্লব বুরিরাম য়ুনাইটেদকী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না বোল হেন্না পায়দুনা থাইলেন্দগী ক্লব অদুগী মায়োক্তা এটেক চথদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ভুভনেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা থাইলেন্দগী বুরিরাম য়ুনাইটেদপু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৪২ রোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তান্নদুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অদুনা থাইলেন্দগী বুরিরাম য়ুনাইটেদপু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রিদজ দি মেল্লোনা য়াম্না শাফু কনবা হেদ্দিং অমা তৌশিনখিবা অদু বুরিরামগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী পাঞ্জল চল্লবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি। মতম খরা লৈরগা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই থোইবনা কাওশিনখিবা সোট অমা মায়োক্লবা টিমগী গোলকিপরনা ফাখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রোহিট দানুনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু থাইলেন্দগী বুরিরাম য়ুনাইটেদপু ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

## ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী মচৎ


### এল. কালা, উরিপোক


ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী মচৎ অমা ওইনা পাঙথোকপা খুদিংগী অনৌবা নিয়ম হাপচিনবা শেমদোকপা শেমজিনবা ফজফজবা মকে শেম্বা শান্নবুং অকোইবা, অয়েংবা পূম্নমকপু পেলহনবা নুংঙাইহনবা শান্নবুং লোয়ননা শান্নরোইশিংনা কাওঙমলোইদবা মশান্না টেকটিশ কয়া শক্ন–শোন্নহৌগদবা কয়া অমা উৎথোক্লম্বা হায়বসি অদুমক লাক্লবা মচৎ অমনি। হেক্তা য়াদে, খ্বাইদগী লুবসি মীওইবদা মীওইবনা শোয়বা য়াদবা অমা হাপচিল্লগা শোয়বা য়াদবা পাঙথোকপসিনি। শোয়দবা ঙমদে মীওইবা, হায়নবা লৈ মীওইবদি লাইরদনা লাই ফাও শোয় হায়না। শোয়বা য়াদবা অরোনবা কয়াগী মহৈ তুমিন তুমিন তম্নদুনা হোৎনদুনা কনা খঙহন্দ উহন্দ তমখিবা ময়াম মমান–মমান্নবা শয়েং–পাম্বোম ঙান্নরকপা শিংনরকপা পাঙ্গল চাংয়েং ফুদোক্নরকপা তাঞ্জাদা উৎথোরকই কাপথোরকই মতিক মগুন ময়াম অমা থাজনরম্বা থাজনরমদবা কয়া ফন–ফন চোংথোরকই। শান্নরবদি পোবা থোইবদি শোয়দ্রে খঙনা লৈখ্রবা মচৎনি। লোয়নমক্তি কাবা য়াদবনিনা মথং মথং পোহৌই কাগনি খনবা কয়া কারক্তে, পোবা য়াই খল্লম্বা কয়া চিং চিং লিখৎলকই মাগী মাগী পোবগী পম্তুং অমা ফাওবা। হৈরে হায়না লাক্লিবসিদা হৈবা হেনখিবনা পোহৌবা কয়া অমা, হৈনা হৈনা কদাইদনো অমা শোয়বদগী পোহৌবা কয়া অমা, কাগদবা ড্রো চৎপা য়াবা কয়া অমা এক্সপিরেন্স লৈহৌদবনা পোবা কয়া অমা থোইহৌদবা কয়া অমা উরে মখল মথেলগী মশান্নাকয়া হৌজিক চথরিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ রুশিয়া সেমি ফাইনেল লোইরবা ফাওবসিদা। হৈবগা লাইবক ফবগা নপশিন্নদুনা লাকপনা অসিফাওবগী তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপা অদুগা অমরোমদা হৈদি হৈবা লাইবক ফবা নপশিল্লমদবগা লোয়ননা ঐনা ঐখোয়না হেল্লি হায়বা থাজবনা হেনজিন্না লৌরগা লাইথোকপা য়াদে হায়বসিমদি খলহৌদবা কয়া অমসুনি হন্দক উরিবসিদা। লানফমনি শোয়রবদি ইশা শিজগদৌরিবনি, ওভর কনফিদেন্স খনবা য়াদে, অন্দর ষ্টিমেট তৌবা য়াদে শান্নবগী পূক্লিং ব্রাখলদা, খল্লুবা মীৎকুপ্না থোক্ন কলমখিবসু য়াই পেলহৌদবা নিংঙহৌদবা তাকশি শোঞ্জবা মখল মখা কয়াগী চৈথেং। ব্রার্ল্ড কপ ফম্বাক্তি তরাইনা লৌবা য়াদবা অমা ওইনা ফিফা রেঙ্কিং দা নম্বর ব্রান ওইবা জর্মনি টিম্না ইহান হান্না ৩২দগী ১৬ কীদমক খৎতোকপা য়াওবা মথং মথং ব্রাজিল, বেলজিয়ম, পোর্টুগাল, আর্জেন্টিনা, স্বিটজরলেন্দ, নম্বর ৭ ফ্রান্সনা ফাইনেল ফাওবা লৈহৌরগা পোলেন্দ, স্পেন, পেরু, দেনমার্ক, ইংলেন্দ, উরুগ্বে, মেক্সিকো, কলম্বীয়া রেঙ্ক তরামাপল ফাওবগী মনুংদা লৈবা ময়াম্না হৈ হায়না হায়রবসু কাপথোরকই মথং মথং লৈহৌই ফাইনেলদা লৈহৌই নম্বর তরেৎ ফ্রান্স অমসুং নম্বর কুন ক্রোএসিয়া। লোয়নমক্না উনরবা ঙাক্তনি ফ্রান্সকী বোল খুৎশান্না পোবা য়াদবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদগী ইকোম কোম্না আর্জেন্টিনাবু ৪–২, উরুগ্বেবু ২–০ দা বেলজিয়মবু ১–০ দা ফ্রান্সনা কারিবা লৈবাক অনী অমদি ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ট্রোফি অনীরক অনীরক মপুং ওইবা ঙমখ্রবা লৈবাক ঙাক্তনি। ফ্রান্সকী খুৎশান্নদা অহেনবা খরা য়াওরি তাকপনি। অদুগা অহেনবা পাঙ্গল কনবা য়াওবা লৈবাক অমা ওইনা ফাইনেল চঙলকখিবনি ক্রোএসিয়া লৈবাক। প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদগী এক্সত্রা টাইম মিনট ১২০, ১২০ শান্নরবা কান্দা দেনমার্কপু ১–১ ড্রো চৎলবা মতুং পেনাল্টি কাওনরগা ৩–২ দা, অমুক য়ুম্বু রুশিয়া ২–২ ড্রো চৎলবা মতুং ৪–৩ দা পেনাল্টি কাওনদুনা কারগা অমুক নিপাল্লকশুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ১৯৬৬ চেম্পিয়ন ওইখিবা ইংলেন্দবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবা ক্রোএসিয়া লৈবাক্কীদি ফিফা ব্রার্ল্ড কপকী হিষ্ট্রিদা রেকোর্দ ঙাক্তা ওইরগদবনি। হৌজিক ৩২ দগী ১৬, ১৬ তগী ৮, ৮ দগী ৪, ৪ দগী অনীদা ঙাইহৌরে কনানা ২১শুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ২০১৮ ট্রোফিগী মপু ওইগদবা হায়বা খঙবা নুমিৎ নোংমাইজিং (সন্দে) না ঙাইদুনা লৈরে। মোস্কোগী শান্নবুং লুজহনিকীনা হেক লোয়বা মীৎকুপ্তগী অমুক চঙশিল্লগনি ২২শুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ২০২২ কাটারগী থোঙজিন তম্না।

## ইন্দিয়াগী হিমা দাসনা নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা গোল্ড লৌদুনা পুৱারী ইখ্রে



*টাম্পেরি, জুলাই ১৩ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট হিমা দাসনা ফিনলেন্দগী সিটি টাম্পেরিদা পাঙথোকখিবা ব্রার্ল্ড অন্দর ২০ এটলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা মকোক ওইদুনা গোল্ড মেডল লৌবগা লোয়ননা পুৱারী শেমখ্রে।

মশাগী চহী ১৮শুরবী অসামগী ধিং খুঙ্গংদা লৈবী হিমা দাসনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিটর ৪০০ গী ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা এঠলেটিক্সকী লমদা অহানবা গোল্ড মেডল ওইরি।

হিমা দাসনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হিট ৫ চেনখিবদা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখিবনি। নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী হিমা দাসনা ৫১.৪৬ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা রোমানিয়াগী এঠলিট এন্দ্রিয়া মিক্লোসনা ৫২.০৭ সেকেন্দদা ফংবা ঙমখি। ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা য়ুএসএগী এঠলিট টেলর মেন্সননা ৫২.২৮ সেকেন্দদা ফংবা ঙমখি।

হিমা দাস ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ট গেমসকী মিটর ২০০ গী লমজেলদা ৬শুবা পোজিসন তাহৌবনি। অদুগা মমাঙ চহীদা নাইরোবিদা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তকী ইভেন্ট অসিমক্তদা ৫শুবা পোজিসন তাখিবনি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র রেকোর্দ হোল্ডর এম শ্রিসঙ্কর নুপাগী লোং জম্প ইভেন্টতা মিটর ৭.৭৫ চোংদুনা ৬শুবা পোজিসন তাহৌখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদু জপানগী এঠলিট য়ুকি হাসিওকানা মিটর ৮.০৩ দা লৌখি। সিলভর মেডল অদুনা ক্যুবাগী এঠলিট মাইকাল ভিদালনা মিটর ৭.৯৪ দা ফংখি।

## রুশিয়া ব্রার্ল্ড কপ অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি

*মোস্কো, জুলাই ১৩ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ইদিসন অসিনা ব্রার্ল্ড কপকী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি হায়না ফিফাগী চীফ গিয়ানি ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখ্রে।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ব্রার্ল্ড কপ অসি লৈবাক অসিগী সিটি ১১ দা পাঙথোকপনি। লৈবাক অসিগী ফুটবোল বোদিনা চথরিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ অসিদা লৌরক্লিবা থৌদাং অদুবু ইনফান্টিনোনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মেটচশিং অসিগী পাঙথোকফম ষ্টেদিয়মশিংগী মৈগী ফিভম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংগী চৎথোক–চৎশিন অমদি নীংথিনা লৈতেংলবা গেলরি অদুবুসু মহাক্না শিংথাখি। ব্রার্ল্ড কপ অসিবু মীৎয়েং তাবা লাকখিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ভাবক্কী মশীংসু য়ামখি।

ব্রার্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল পাঙথোক্কদৌরিবা মোস্কোগী লুজনিকি ষ্টেদিয়মনা মালেমদা লৈরিবা ভাবকশিংগী খ্বাইদগী পূক্লিং চিংশিনফম ওইগনি হায়না ফিফাগী চীফ গিয়ানি ইনফান্টিনোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং বেলারসকী ভিক্তোরি অজারেনকা ৱিম্বলদনগী গ্রান্দস্লাম টেন্নিসকী মিক্স দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে



*বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা*

*লন্দন, জুলাই ১৩ঃ*

বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা বৃটেনগী পেয়র জে ক্লার্ক অমসুং হরিয়েট দার্টপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট মুরে অমসুং অজারেনকাগী পেয়রনা বৃটেনগী জেক্লার্ক অমসুং হরিয়েট দার্টকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারিবা বৃটেনগী মুরে অমসুং বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা বৃটেনগী জে ক্লার্কঅমসুং হরিয়েট দার্টকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদুসু ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজকিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ১২শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী নিকোল মেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কেগা লম্বা তৌনরগনি।

৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজকিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা পোলেন্দগী এলিকজা রোসোলস্কা অমসুং য়ুএসএগী এবিগেল স্পিয়র্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা ১২শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী নিকোল মেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কেনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী ঝু য়িফানবু ৬–৩, ৪–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বনি।